

য়ূমখাম ইরাবোতনা ফাইল তৌরকপা ইলেক্সন পিটিসন

ওক্রম হেনরিগী কাউন্সেলনা মতম লৌখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): কুমজা ২০১৭তা পাঙথোকখিবা মণিপুর ষ্টেট এসেম্বলিগী ১১শুবা মীখলদা ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ এসেম্বলি কন্সটিট্যুএন্সিদগী কোংগ্রেস এম এল এ ওইনা কারকখিবা ওক্রম হেনরিগী মথক্তা মীখল অদুদা মহাক্কা লন্না তৌনখিবা বি জে পিগী মীরেপ য়ূমখাম ইরাবোতনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসনগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা চথরক্লিবা ৱায়েলগী মনুং চন্না ঙসি কোর্ট অসিগী জষ্টিস এম ভি মুরালিদরনগী বেঞ্চতা কেস অসিগী পিটিস্নরসু ওইরিবা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ১ ৱাই ইরাবোতকী ক্রোস এগজামিনেসন তৌনবগীদমক কোর্টনা মতম লেপ্লবসু ইলেক্সন পিটিসন অসিগী রেসপোন্দেন্ট নম্বর ১ ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা মতম লৌখিবদগী ঙসি পাঙথোকখিদ্রে।

মশাগী চহী ৮০ রোম শুরক্লবা পিটিস্নর ৱাই ইরাবোতনা ফাইল তৌরকখিবা ইলেক্সন পিটিসন অসিগী নম্বর ২ ওফ ২০১৭নি। পিটিসন অসি কোংগ্রেস এম এল এ ওইরম্বদগী রিজাইন তৌরবা মতুংদা হৌজিক্লা লৈঙাকসিদা মিনিষ্টর ওইবা য়াওরিবা ওক্রম হেনরি অমসুং অতোপ্পা মীওই অমবু রেসপোন্দেন্টশিং ওইনা কোনশিল্লগা ফাইল তৌরকখিবনি।

লোয়ননা লেপ্তুনা চথরকপা কেস অসিগী ৱায়েলগী মনুং চন্না মাঙজৌননা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনগী মতুংইন্না ঙসি পিটিস্নর ওইবগী মথক্তা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ১ ওইরিবা ৱাই ইরাবোতকী ক্রোস এগজামিনেসন ঙসি তৌগদবনি। মসিগীদমক মেট্টর অসি ঙসি বেঞ্চ অসিগী আইটেম নম্বর ৫দা লিষ্ট তৌখি।

অদুবু কোর্টনা মেট্টর অসি লৌখৎলকপদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱান ওইরিবা ও হেনরিগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজম কোর্টতা মশা লাকখিদে। মহাক মশাগী ময়ূমদা লৈবা ওফিসতগী ভিদিও কনফরেন্সিংগী খূথাংদা বেঞ্চ অসিদা চঙলকখি। লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্কদবা ক্রোস এগজামিনেসন অসিগা মরী লৈননা মহাক মশাগী এপিয়ারেন্স কোর্ট অসিদা তৌবা পাম্মী হায়বা ৱাফম ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ঙসি পাঙথোক্কনি লেপ্পন্বা ক্রোস এগজামিনেসনগী থবক অসি থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ২দা ওইনা পাঙথোকপীননবা কোর্টতা হায়জখি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেল অসেম মোহেন্দ্রো অমসুং কাউন্সেল অজয় পেবম কোর্টতা প্রজেন্ট ওইখিবগা লোয়ননা পি দব্লিয়ু নম্বর ৱান ওইরিবা ৱাই ইরাবোত মশামকসু কোর্টতা লাকখি। অদুম ওইনমক এদিসনেল এ জিনা হায়জরকপা ৱাফমগী মতুংইন্না ক্রোস এগজামিনেসনগী থবক অসি থা অসিগী ২২গী নুংথিল পুং ২দা পাঙথোক্কনবা কোর্টনা লেপখি। লোয়ননা নুমিৎ অদুদা প্রোজিক্যুসন ৱিটনেস নম্বর ৱান ওইরিবা ৱাই ইরাবোতপু নুংথিলগী পুং ২ তারকপদা কোর্ট অসিদা পুথোরক্নবা কোর্টনা দিরেক্সন পীখি। লোয়ননা ৱাই ইরাবোতনা মহাক্কী ইভিদেন্সশিং পীনবগীদমক কোর্ট অসিদা চঙলকপদা অয়াবা পীনবসু কোর্টনা রেজিষ্ট্রিদা দিরেক্সন পীখি। নুমিৎ অসিদা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৱানগী মায়কৈদা লেপ্লিবা এদিসনেল এ জিনা পি দব্লিয়ু নম্বর ৱান অসিগী ক্রোস এগজামিনেসন পাঙথোক্কনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, কোর্ট অসিনা লেপখিবগী মতুংইন্না মমাঙ থাগী ১৬তা এফিদেভিট ওইনা ফাইল তৌখিবগা লোয়ননা পি দব্লিয়ু নম্বর ৱান অসি কোর্টতা কারকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী ইন চীফ ইভিদেন্সশিং লৌখ্রবনি। অদুগা কেস অসিগা মরী লৈনবা তোঙান তোঙানবা দোক্যুমেন্ট ১৪বুনা এগজিবিট নম্বর পি/১দগী হৌরগা পি/১৪ ফাওবা ওইনা মার্ক তৌদুনা থমখি।

ইলেক্সন পিটিসন অসিদা পিটিস্নরনা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা পাঙথোকখিবা কুমজা ২০১৭কী ১১শুবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেম্বলি মীখলদা ৱাংখৈ এ সীদগী কোংগ্রেসকী টিকেটতা মীরেপ ওইখিবা ওক্রম হেনরিনা ফাইল তৌখিবা নোমিনেসন পেপর অদুগী শরুক অমা ওইনা লোয়নখিবা এফিদেভিটশিংদা মেনশিনফম থোকপা ইনফোর্মেসনশিং অমগা অমগা ওন্ন-তৈননা মেনশিনখি হায়দুনা চার্জ তৌরকখিবনি।

কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী কুমওন পাঙথোকখ্রে

33RD FOUNDATION DAY
Celebration 2021
K.M. BLOOMING HIGHER SEC. SCHOOL
Khangabok
On Wednesday, the 20th January, 2021
Chief Guest
President
Guest of Honour

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী খাঙবোক্তা লৈরিবা কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী ৩৩শুবা মপোক কুমওন থৌরম ঙসি স্কুল অসিগী কেম্পসতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী মপোক কুমওন থৌরম অসিদা থবক্তগী পোত্থারবা এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এল ইবুংঙোহলনা অথোইবা মীথুংলেন, স্কুল অসিগী ফাউন্দর খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোর মঙাংনা থৌরম মপু অমসুং স্কুল অসিগী মেনেজিং দিরেক্টর ডা. রোমেনকুমার খুন্দ্রাকপম, প্রিন্সিপাল ডা. ভৈগ্যচন্দ্র খুন্দ্রাকপম, কো ফাউন্দর থবা লৈমনচিংবনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা স্কুল অসিগী মপোক কুমওনগী অচম্বা থৌরম অসিদা শরুক য়াখিবা ফাউন্দর প্রসিদেন্ট খুন্দ্রাকপম মেঙ্গোরনা ফোঙদোকখিবদা মোরেল, এদ্যুকেসন অমদি সেল্ফ রিলাএন্সতা য়ূম্ফম ওইরগা য়াম্না ৱানা লিংখৎখিবা স্কুল অসিদগী ঙসিদি তোঙান তোঙানবা ফিল্ডদা মায় পাকপা মীওই তুংগী য়ূম্বুরেল কয়া পুথোকপা ঙমখিবগা লোয়ননা মণিপুরগী শক্লাইরবা স্কুল অমা ওইরকপদা পূক্নিংদা অপেনবা পোকই হায়খি।

স্কুল অসি হৌদোরকপদা মতেং পাংবীরকখিবা খ্বাই পুম্নমকপুসু ঙসিগী থৌরম অসিগা মরী লৈননা স্কুলগী মায়কৈদগী অচম্বা খুদোল পোৎশিং তমদুনা থাগৎপা অমসুং তৌবীমল খঙবা উৎখি।

মপোক কুমওন থৌরম অসিগী অথোইবা মীথুংলেন ওইখিবা থবক্তগী পোত্থারবা এসোসিএট প্রোফেসর ডা. এল ইবুংঙোহলনা ফোঙদোকখিবদা হোৎনবা লেপত্রবদি নোংমদি শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বা ৱাফম অদু কে এম ব্লুমিং হায়র সেকেন্দরি স্কুল, খাঙবোক্কী ফাউন্দর ওইরিবা মেঙ্গোর মঙাংনা উৎলে হায়খি। ওজা অমা ওইবগী চাওথোকচবা অসি অতোপ্পশিংনা খক চাংদম্নবা য়ারোই হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোক্লদুনা ওজাশিংবু পূক্নিং থৌগৎখি।

ডা. ইবোমচানা লৈখিদবদা ঘড়ী য়ুথ ক্লবনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী এয়রপোর্ট রোদকী ঘড়ীদা লৈবা ঘড়ী য়ুথ ক্লবকী মতম শাংনা এদভাইজর ওইদুনা ক্লব অসিগী অমসুং লৈকায় অসিগী চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরম কয়াদা মাঙজিল থানা থৌগাই পুরম্বা ডা. লাংপোকলাকপম ইবোমচা এলিয়জ ডা. মামোনা ইখঙ খঙহৌদনা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবদা ক্লব অসিনা থম্মোয় শোক্লা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

ক্লবকী সেক্রেটরি জেনরেল ঙারিয়ানবম মিলননা থোরকখিবা অৱাবা ফোঙদোকপগী চেরোল অমদা ক্লব অসিগী এদভাইজর ওইরম্বা ডা. ইবোমচা ঙরাং নুংথিল পুং ৪ রোম তাবদা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক্লা খঙহৌদনা লৈখিদবা অসিদা ঙসি অয়ুক পুং ৯ রোম তারকপদা ক্লব অসিগী শঙলেনদা অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিদা ক্লবকী এদভাইজর, ওফিস বিয়রর অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা মিনট ২ তূমিন্না লেপখি। অদুগা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপুগী লৈকোলদা ঈংনা চিক্লা লৈরুনবগীদমক থৌনিজখি হায়রি।

মহাক লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকপগী শরুক অমা ওইনা মহাকপু ইকায়খুমনবা উৎলদুনা ক্লব অসিগী ফিরাল নুমিৎ নীনি চূপ্পা তঙ্খাই চিংথদুনা থল্লগনি হায়রি।

ঙসিগী অৱাবা ফোঙদোকপা মীফম অসিগা মরী লৈননা ক্লবকী প্রসিদেন্ট ফান্দোম প্রামা মঙাংচানা লৈখিদ্রবা ডা. এল ইবোমচানা লৌবীরম্বা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিং অমদি লৈকায় অসিগী য়াইফনবগীদমক মশামক ডাক্টর অমা ওইবগী মীনুংশিগী সর্ভিসশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মরীক চুম্না পাউদমখি। মহাক লৈখিদবদা ক্লব অসিগী মেনশিনবা ঙম্লরোইদবা অৱাৎপা অমা ওইরগনি হায়বগী ৱাফমসু কোন্দালেন্স মীটিং অসিদা ফোঙদোকখি। মহাক্লা মনুং মতম চাদনা লৈখিদবসি ঘড়ী য়ুথ ক্লবকী অচৌবা মাঙজবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

লোয়ননা ঙসিগী অৱাবা ফোঙদোকপগী মীফম অসিদা শরুক য়াখিবা ক্লব অসিগী এদভাইজর, ওফিস বিয়রর অমদি এগজিক্যুটিভ মেম্বরশিংনা লৈখিদ্রবগী য়ূমদা চৎতুনা মহাক্কী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা মায়োক্লহৌরিবা অৱাবদসু শরুক য়াগনি হায়বগী অপূনবগী শক্লোন অদুসু পাউদম্নিন্নখি হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়বদা লৈখিদ্রবা ডা. এল ইবোমচাগী থৱায়বু শেম্বীরকপা মপু মহাক্লা কোনশিনবীদুনা ঈংনা চিক্লা লৈহনবীবা ওইরসনু হায়রি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯕ / নুংঙাইবা ফোঙদোকচবা

Manipuri Department, MU, Canchipur না পুথোকখিবা Manipuri Final Exam, 2020 June দা C.M. Scientific English High School দা তমখিবী চনম্বম শ্যাম সিংহ অমদি চনম্বম ইনাওচা দেবী অনীগী মচানুপী চনম্বম শর্মিলা দেবীনা মণিপুর পূম্বগী মকোক তাদুনা Smt. MangoInganbi Devi Memorial অমদি Governor's Gold Medals ফংলকপদা হরাউবা অমদি নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

Sd/- Teaching and Non-teaching Staffs
C.M. Scientific English High School
Iram Siphai

HL-P/8634/21

সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): ইম্ফালগী উরিপোক চৈরাপ কোর্ট কমপ্লেক্সতা লৈরিবা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী ওইনা চহী অসিগী রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদে ওইগদবা থৌরমশিংগী নুমিৎশিং লাউথোকখ্রে।

রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদেগী নুমিৎশিং অদু কোর্ট অসিগী প্রিসাইদিং ওফিসর মাইবম মনোজকুমারনা থা অসিগী ১৬তা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না লাউথোকখিবনি।

কোর্ট অসিগী রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদে ওইগদবা থৌরমশিংগী নুমিৎশিংদি ফেব্রুৱারী ১৬, ২০২১ (ফাইরেনগী ৫নি পানবা) লৈবাকপোকপা নুমিৎতা স্বরসটি পুজা, জুলাই ১৯, ২০২১ (ইঙেনগী ১০নি পানবা) নিংথৌকাবা নুমিত্তা কাংলেন/পুর্ন যত্রা অমসুং নবেম্বর ৫, ২০২১ (হিয়াঙ্গৈগী নোংমা পানবা) ইরাই নুমিৎতনা গোবর্ধন পুজাগী রেষ্ট্রিক্টেদ হোলিদেশিং ওইগনি হায়রি।

নোটিফিকেসন অসি কোর্ট অসিগী য়াওনা মসিগী ওফিসশিং অমসুং মীয়ামগী খুদোংচানবগীদমক য়েংলগা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন্স জজ, ইম্ফাল ইষ্টকী মায়কৈদগী পব্লিক ইনফোর্মেসনগীদমক মীয়ামদা ওফিসল ওইবা নোটিফিকেসন থোক্তুনা লাউথোকপনি হায়রি।

ꯂꯥꯟꯅ-ꯊꯧꯔꯝ ꯌꯦꯊꯣꯛꯆꯔꯦ/লান্ন-থৌরম য়েথোকচরে

ঐখোয় খ্বাইগী ইরক্তা তিনবীরম্বা সৌবাম নবকিশোর (নোংমাইরেন্) মৈতৈনা মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং, খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা চৈচৎ ১৪/০১/২০২১ ইং, শগোলশেল নুমিৎতা মপুগী লৈকোন্দা লৈরাং লৈনম ওইনা তিনখ্রে। লাক্লিবা চৈচৎ ২৪/০১/২০২১ ইং, নোংমাইজিং নুমিৎতা লৈখিদ্রবগী লান্ন-থৌরম শোঞ্জগদবা অদু শাগৈগী মী লৈতবা অমা য়াওবদগী লাক্লিবা চৈচৎ ১/০২/২০২১ ইং, ৱাকচীংগী ১৯নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ওইনা লান্ন-থৌরম অসি পাঙথোকচরগনি হায়না হান্না চেবাউ ফংবিখ্রবা খ্বাই পুম্নমক্কী মফমদা নোল্লুক্লা নীংশিংজরি।

পাউজেঞ্জরিবা : সৌবাম সনা লৈমা (লোয়নবী)
সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকায়

HL-C/179/21,22

ONE STOP SOLUTIONS FOR ALL AGRI & HORTICULTURE MACHINERIES AND IMPLEMENTS
100% SPARES AVAILABLE
READY STOCK AVAILABLE
KIRLOSKAR 15 HP POWER TILLER
4 WHEEL DRIVE
MAHINDRA YUVO 575, 45HP
CROWN - LIFE WARRANTY
ENGINE, GEAR BOX, POWER STEERING
5 YEARS WARRANTY
Rs 9,75,000/-
MI LYF MINI POWER TILLER
MACHELVA AGRO MACHINERIES AND SERVICES
MAHINDRA TRACTOR SHOWROOM, MALOM BAZAR, IMPHAL
HL-P/8547/13 to 28

লৌশিং পুক্কে

ভেক্সিনশিং অমসুং কোভিদ-১৯ # ২

SARS-CoV-2
Coronavirus Vaccine
COVID-19

হৌজিক্কী ওইনদি য়ু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন (এফ দি এ)না ইমর্জেন্সিগী ওইনা শীজিন্নবগীদমক ওথোরাইজ তৌরিবা মোদর্না অমসুং ফাইজর-বাইওএনটেক কোভিদ-১৯ ভেক্সিনশিং য়াওনা ওপরেসন ৱোর্প স্পিদনা সপোর্ট তৌবা ভেক্সিনশিং অসিনা য়ু কেগী SARS-CoV-2 ভেরিয়ন্ট অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি হায়না এন আই এ আই দিগী সাইন্টিষ্টশিংনা থাজবা থল্লি।

ফাইজর-বাইওএনটেক অমসুং মোদর্না-এন আই এ আই দি অনীমক্লা পুথোক্লিবা অসি এম আর এন এ ভেক্সিনশিংনি। ভেক্সিনশিং অসিদা ভাইরসশিং অদুগী জিনেটিক ইনফোর্মেসন য়াওই।

ইনফোর্মেসন অসিদা ইনকোদ তৌখিবা ভাইরেল স্পাইক প্রোটিন অদু ঐখোয়গী হকচাংগী সেলশিংনা শেমদুনা মদুবু ইম্যুন সিষ্টেমদা য়ৌহল্লি। অসুম তৌবা অসিনা ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টেমদা ভাইরস অসিবু করম্না থেংনগদগে/মায়োক্লগদগে/হায়বদু খঙবা ঙমহল্লি। মসিনা তুংদা SARS-CoV-2 ইনফেক্সনশিং লাকপদা থেংননবগী মতীক চাবা মতীক-ময়াই য়াওহল্লি।

এক্সপার্টশিংগী মতুংইন্না এম আর এন এ টেক্নোলোজি অসি এদাপ্টেবল ওই, এম আর এন এ ভেক্সিনশিং অসি নৌনা থোক্লকপা ভাইরস অমগী ষ্ট্রেনশিং নৎত্রগা ভেরিয়ন্টশিংগী মায়োক্তা শীজিন্নবদা ইফেক্টিব ওইগদবা মওংদা সাইন্টিষ্টশিংনা য়াম্না লায়না শেমদোক শেমজিন তৌবা য়াই হায়রি।

বাইওএনটেককী সী ঈ ও ডা. উগুর সাহিননা দিক্লোর তৌখ্রে মদুদি, ফাইজর-বাইওএনটেক ভেক্সিন অসি SARS-CoV-2 গী তোঙান তোঙানবা ভেরিয়ন্ট কয়াগী মায়োক্তা মথৌ তৌবা ঙমগনি। ফিভম অমা হেক্তদা মখোয়গী ভেক্সিন অসি য়াম্না লায়না এদাপ্টেবল ওই হায়নসু মহাক্না মখা তাখি।

সাউথ অফ্রিকাদা নৌনা থেংনরকখিবা অনৌবা ভেরিয়ন্ট অদুগী মতাংদা য়ু কেগী য়ুনিভর্সিটি ওফ লাইসেষ্টরগী ক্লিনিকেল ভাইরোলোজিষ্ট ডা. জুলিয়ান দব্লিয়ু. টাংনা হায়খিবদা, সাউথ অফ্রিকান ভেরিয়ন্ট অসিনা হেন্না পাক-শন্না শন্দোরক্লগসু এম আর এন এ (ফাইজর-বাইওএনটেক অমসুং মোদর্না) অমদি এদেনোভাইরস-ভেক্টর্দ (ওক্সফর্দ-এষ্ট্রাজেনেকা অমসুং রসিয়ন স্পুটনিক ভী) ভেক্সিনশিং অসি ভেরিয়ন্ট অসিগা হেন্না চান্ননবা মওংদা থা খরগী মনুংদা শেমদোক-শাদোকপা য়াগনি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, ম্যুটেসন অয়াম্বনা ভাইরস অসিগী এস প্রোটিন (মশা-মউ ফরিবা সেলশিংদা ভরইরস অসিনা চঙবদা এস প্রোটিননা মতেং পাংই)গী মশক মওংদা অহোংবা লৈহন্দে। মরম অদুনা হৌজিক লৈরিবা ভেক্সিনশিং অসিনা য়ু কে অমসুং সাউথ অফ্রিকান ভেরিয়ন্টশিং অনীমক অসিগী মায়োক্তা মথৌ তৌবা ঙমদুনা ইনফেক্সন/ট্রান্সমিসন রেট অমসুং য়াম্না কন্না নাবগী চাং খরমখৈদি হস্তহনবা ঙম্বা য়াই হায়না ঐখোয় অয়াম্বনা থাজবা থল্লি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

ভেক্সিন খরা অমদি তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা শীজিন্নবগীদমক ওথোরাইজেসন ফংখ্রবসু, ভেক্সিন কেন্দিদেট কয়া অমদি ক্লিনিকেল ট্রায়লশিং চথরি।

ট্রায়ল লোইশিল্লমদাই য়ৌশিল্লক্লবা কেন্দিদেট খরদি মায় পাকপগী লম্বীদা নকশিল্লকপগা লোয়ননা কুমজা ২০২১ লোইশিল্লকপফাওবদদি মালেমদা কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন মশিং হেন্না ফংলগনি হায়বগী থাজবা পীরি।

মকোক থংবদা লৈরিবা কেন্দিদেটশিংগী মনুংদা ফার্মাসুটিকেল কম্পেনি অমা ওইরিবা জোন্সন এন্দ জোন্সননা দিভেলপ তৌবা ভেক্সিন কেন্দিদেটসু অমনি। হায়রিবা কেন্দিদেট অসি জেন্সসেন কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কেন্দিদেট হায়নসু খঙনৈ।

হৌজিক ওথোরাইজেসন ফংখ্রবা ভেক্সিনশিং খরগা মান্নদবা মওংদা জোন্সন এন্দ জোন্সন কম্পেনিনা ভেক্সিন কেন্দিদেট অসিবু হকচাংদা ইম্যুনিটি শাগৎনবা দোজ অমতংগী ওইবা অমসুং দোজ অনীগী ওইবা হীদাক মখল অনীমক চাংয়েং তৌরি।

জেন্সসেন কোভিদ-১৯ ভেক্সিন অসি হৌগৎলকপা মতমগী ট্রায়লদা য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা ফিভমশিং উৎখ্রবনি। অদুবু ট্রায়ল পার্টিসিপেন্টশিংগী মনুংদা অমা লাইওং খঙদবা লায়না অমা নারকপদগী কুমজা ২০২০গী ওক্টোবরদা ট্রায়ল অসি মতম খরা লেপ্পুরে।

হৌজিক্তি অমুক ট্রায়লশিং মখা চথবা হৌখিবগা লোয়ননা ফেজ ১ অমসুং ফেজ ২গী মরক্কী রিজল্টশিং মীয়ামদা ফংহনখ্রে।

রিজল্টশিং অদুগী মতুংইন্না ভেক্সিন অসি SARS-CoV-2 গী মায়োক্তা শীজিন্নবদা ইফেক্টিব ওইবা য়াই হায়বগী খুদম ফংই।

জোন্সন এন্দ জোন্সন কম্পেনিগী ষ্টেটমেন্ট অমগী মতুংইন্না ফেজ ৩ ট্রায়লগী দেটাসু জন্যুৱারী থা লোইশিল্লকপদা ফংলগনি হায়রি। দেটা অসি হেক ফংবগা কম্পেনি অসিনা ইমর্জেন্সিগী ওইনা শীজিন্নবা য়ানবগী ওথোরাইজেসন ফংনবগীদমক এফ দি এদ ফাইল তৌনবা পান্দম থল্লি।

অসাম রাইফলসনা লুপা লাখ ৭.৭ রোমগী সুপারি ফাগৎখ্রে

ইম্ফাল, জন্যুৱারী ২০ (ঐচএনএস): লিগেল দোক্যুমেন্টশিং য়াওদনা ইন্দো-ম্যান্মার ঙমখৈদগী লৈবাক অসিগী মায়কৈদা পুশিল্লকখিবনি হায়বগী চার্জদা অসাম রাইফলসনা মার্কেট ভেল্যুদা লুপা লাখ ৭.৭ রোমগী মমল ওইগদবা সুপারি কিলোগ্রাম ১৪০০ ফাগৎলে হায়রি।

সুপারিশিং অসি ঙরাং চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী ন্যু সোংয়াং ভিলেজ মনাক্তগী ফাগৎখিবনি। য়াম্লবা সুপারিশিং অসি গাড়ী অনীদা হাপ্লগা পুরকখিবনি হায়রি। ফারবা পোৎলমশিং অসি চান্দেলগী দিষ্ট্রিক্ট ফোরেষ্ট ওফিসরদা লিগেল এক্সনশিং লৌখৎনবা খূৎশিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ঙসি অসাম রাইফলসনা শিংজমৈদা মেদিকেল কেম্প অমা পাঙথোকখ্রে। কেম্প অসিদা অঙাং য়াওনা মীওই ২৮গী হেল্থ চেক-অপ অমসুং মেদিকেল কন্সলটেসন পাঙথোকখি হায়রি।

হুইয়েন লানপাউ পব্লিক ওপিনিয়ন

মীয়াম্না করি হায়রি, করি পাল্লি

দ্রগ চাবশিং রিহেব্লিটেসন সেন্টরদা থল্লবসু অমুক হন্না এদিক্ট ওইরক্লিবসিগী মতাংদা পূন্নমক্লা খন্থহন্নিংই

ময়াই কাবা চিঙ্গাক লোনা য়াদ্রবা দ্রগতা এদিক্ট ওইখ্রবা মীওইনা দ্রগ অসিবু থাদোক্তুনা মশা-মউ ফবা মী অমা ওইনা লৈবা হায়বসি য়াম্না অরাইবা থবক অমদি ওইদে। মমা-মপা কয়ানা দ্রগ এদিক্ট ওইরবা মচাশিংগী পুন্সি, লনথুম অমদি খুন্নাইগী মীৎয়েংদা ইকায়খুম্নবা মাঙদনবগীদমক রিহেব্লিটেসন সেন্টরদা মশিং খঙদনা থল্লবসু মতম খরা লৈরগা অমুক হন্না এদিক্ট ওইখিবশিং চাম্মদা ৯৬ রোম ওইরমগনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি করিগীদমক অমুক হন্না দ্রগ এদিক্ট ওইরবশিংদা থোক্লিবনো হায়বগী মতাংদা থিগৎফম থোক্লবরা হায়না খল্লি। এদিক্ট অমুক হন্না ওইরকপগী মরম কয়া অমা লৈখ্রে। মসিগী মতাংদা লৈঙাক্লসু মরমশিং অদু খঙদোক্লগা লৈঙাক অমদি লৈকায়গী ক্লব, এসোসিয়সননা অচৌবা থৌদাং লৌদ্রগদি হুই মমৈদা উতোং হাপ্পুনা মমৈ চুম্নবা হোৎনবগুম থোক্কনি। মরম অদুনা হৌরক্লিবা অঙাংশিংদা ময়াই কাবা চিঙ্গাকশিংগী মখল কয়াগী মতাংদা কৈদৌনুংদা চাংয়েং তৌরোইদবনি অমদি খুৎন ফাও থেংলোইদবনি। লোয়ননা মৈতৈগী থৌদোক অয়াম্বদা ফোংনা য়ু থকফম শিনবা লেপকদবনি। য়ু য়াওরবদি চুরুট অমদি জরদাসু অদুম য়াওরে। ময়াই কাবা চিঙ্গাক চাবা হায়বসি মচাদগী অচৌবদা ওন্থখিবনি। মরম অদুনা অহল-লমনশিংনা অকনবা মওংদা থিংবিয়ু।

❒ **সোরোখাইবম ওজিৎ, লমদি থৌবাল**

মহৈরোয়শিংগা লোয়নগদৌরিবা মীপুম খুদিংমকসু কোভিদ টেষ্ট তৌথোকপা মথৌ তই

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা মণিপুরগী স্কুল পুম্বা থোঙ হাংলগনি হায়বিরক্লিবা ৱাফম অসি তাবদা য়াম্না নুংঙাই অমদি হরাউ-তয়াম্না ওকই। ক্লাস নাইনগী মথক্তা লৈবা ক্লাসশিং নোর্মেল ক্লাস হৌগদৌরিবা অসিদা শরুক য়াগদবা মহৈরোয়শিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌবগী রিপোর্টকী চে পায়রক্কদবনি হায়বিরি। মতাং অসিদা হায়জনিংবা ৱাফমদি টেষ্ট তৌবগী থবক অসি এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা শীনবিগদৌরিবরা? মমা-মপাশিংনা ওইনা তৌজগদৌরিবরা অমদি তোঙান্না অখন্ননা মহৈরোয়শিংগী টেষ্ট তৌনবা থৌরাং পায়খৎপীগদৌরিবরা হায়বদু ময়েক শেংনা খঙহনবিয়ু। লোয়ননা মহৈরোয়শিংবু তাকপী-তম্বীগদৌরিবা ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিংবু পুদুনা চৎকদৌরিবা স্কুলগী ভেন দ্রাইভরশিংদি টেষ্ট তৌরোইদৌরিবরা? করিগুম্বা পুম্নমক অসি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌগদবনি হায়রগনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরদা হায়জনিংবা ৱাফমদি কোভিদ-১৯ টেষ্ট তৌনবা সেন্টর খরা তঙাইফদনা হাংদোকপীরবদি মহৈরোয়শিংগী মমা-মপাশিংনা থেংনগদবা খুদোংচাদবা কয়া অদুদগী কোকপা ঙম্বা হায়বদু ওইগনি।

❒ **ওইনাম কুঞ্জকেশ্বর, লংজিং অচৌবা**

অদোমগী মরুওইবা ওপিনিয়ন ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ নত্রগা hueiyen_lanpao@rediffmail.com/hueiyen_lanpao@yahoo.co.in দা থাবিরকউ।

ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ২১।০১।২০২১ ইং, শগোলশেল; নুংথিল পুং ৩.৫১ ফাওবা ৱাকচিংগী ৮নি পানগনি, মতুং ৯নি পাল্লনি।

মেষ : হরাওবা নুংঙাইবা, নীংজবা মপা চাবা অমদি লল্লোন ইতিক্তা কান্নবা ওইরগনি। হুরানবনা য়েংশিনবদি লৈ অদুবু লেপ্তুনা হোৎনবনা মীকোক থোংগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশি মরী ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃষ : অনম তানবনা অঙম্বগা মুক্নবা য়াবা অমদি শক-চু থোকপা ৱাৎপা লৈগনি-তপথৌ। মতাং চানা থৌনা ফুদোকপনা অমদি অচুম্বা চৎলদি মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইয়ু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাংবা।

মিথুন : য়েৎনবা য়াবা মরমদমক য়াওরুনু। অতৈ লম্দদি চাওনা মায় পাক্কনি, অনৌবা থৌরমসু পাংবা য়াগনি অমদি মরুপ মপাংগী মতেং লৌবসু য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

কর্কট : হকচাং নুংঙাইরনি, লল্লোন ইতিক্তা খূৎচাও থাবা য়াগনি অমদি লম চৎপা কান্নগনি। কথোকপগী কান্নবা ফংগনি অমদি ইচং থৌবসু মায় পাক্কনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাই।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

সিংহ : অনীংবা থবক পাংগনি, মীয়াম্না থাগৎপিগনি অমদি কনানসু লাকচবা ঙমলোই। মীনা ইনশিনবা ঙাইদনা অফবা থবক পাংহৌরো অমদি চরাংগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/শঙ্গোম।

কন্যা : অশাওবা থাদোকউ, চিন কনগনু, অরং-অরাক পীথোক্কনু অমদি অফা-অপুন্নবা মায়োক্লগনি। অচুম্বা চৎলদি লম্ খুদিংদা মায় পাক্কনি-চিংনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- পূক্নিং ফাথৌ।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

তুলা : ৱাখলগী পাঙ্গল য়াম্না লৈজবা নুমিৎনি অমদি লাই-গুরুনা থৌজালবীগনি। ৱানোম্বা কান্নগনি, লাই-তীল খুরুম্বগী কান্নবা ফংজগনি। ফত্তবদি খনগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংবগী নুংঙাইজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

বৃশ্চিক : মীনা তেংবাঙবীবা, মীচং খোম্বা য়াবা, লল্লোন-ইতিক কান্নবা অমদি লৈঙাক্কী লম্দা মীনা লাকচবা ঙমলোইদবা নুমিৎনি। মহু চাওবনদি য়েংথি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংজবা ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/থোইদিং অমুবা।

ধনু : অয়াম্বা লম্দা নাইতোম থৌ পাংগনু অমদি অনম তানগনু। য়ারগদি কথোকপা নত্রগা মীঙোন্দা মতেং পাংথোকপনা তুংদা কান্নবা ফংগনি। মরুপ লোয়নৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম খরা ঙাইখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/য়াইঙং।

মকর : খাংবা কনবা, মীৱা লৌদবা অমদি হোয়া ফদবনা মাঙগদবা কয়াদগী কান্নবা ফংগনি। য়েৎনবা য়াবা মরমদা য়াওরুনু-খাংবা কল্লু, ৱাফংনবা তৌগনু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চারোই।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক/অশংবা।

কুম্বা : লাইবক ফবা ঙসিসু লৈরি অমদি মীগী মতেংনা অনীংবা থবক পাংগনি। অনম তানগনু, লৈঙাক্কী লম্দা নোল্লুক্লা চৎলু অমদি মরুপ কাইনদনবা হোৎনৌ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবীগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিগোক।

মিন : নচা ননাইগী লম্দা চাওনা মায় পাক্কনি, চিংনগনু অমদি হনবা লৈতনা ঙসিসু হোৎনৌ-মায় পাক্কনি। -অঙম্বনা চানবীগনি অমদি মীয়াম্না য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবা ফংজৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা।

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।